# মেরা চাওরেল হৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস): সনামহি টেম্পল বোর্দনা শীন্দুনা হয়িং খোংবাল তোলোং যুম্ফম, ফার্ষ্ট এম আরদা ঙসি মেরা চাওরেল হৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা হেল্‌থ এন্দ লো মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা চীফ গেষ্ট, সনামহি টেম্পল বোর্দকী ভাইস প্রসিদেন্ট ৱাখল লমজিংবা (বিদ্যপতি সেঞ্জম)না প্রসিদেন্ট ওইখি।

থৌরম অদুগী মাঙওইননা মীয়ামগা লোয়নননা মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা লুচিংদুনা কংলা মনুংদা লৈবা ইরিল তুরেলগী মরিল ওইরিবা পাৎতা ঈকৌবগী থৌরম পাঙথোকখি। কংলা মনুংগী পাৎতগী ঈকৌদুনা লাই লৌখৎলগা হয়িং খোংবালদা লৈবা সনামহিগী শঙলেন্দা অমুক হল্লক্তুনা থৌরম পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা মিনিষ্টর জয়ন্তকুমারনা হায়খি, হৌজিক মফম খূদিংদা সনামহি লাইনিংগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং পাক শন্না পাঙথোরক্লি। লাইনিং অসিগী থবক থৌরম কয়া হেন্না পাক চাওনা পাঙথোরক্লিবা অসি ইবুধৌগী মশেক মঙাল অসিননি।

সনামহি টেম্পল বোর্দকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা মখা তানা হায়খি, সনামহি টেম্পল বোর্দনা মেরা চাওরেল হৌবগী থৌরম অসি চহী খূদিংগী পাঙথোক্তুনা লাক্লি। সনামহি লাইনিংগী লিচৎ অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনসু মশক খঙলে। মরম অদুনা নুংশি চান্নন লৈমিন্ননবা হোৎনমিন্নবা চঙই। গভর্ণমেন্টনা শেন্বীরিবা সনামহি টেম্পল বোর্দ অসিদা পূন্না থৌরম পাঙথোমিন্ননবসু হোৎনসি। ষ্টেটকী ফঙ্কসন ওইনা ষ্টেট হোলিদে ওইনবা হোৎনমিন্নসি। সনামহি লাইনিংগী ফিলোজোফি অমসুং নাৎ অমদি কলচর অসি পুথোক্লবসু হোৎনরি। সনামহি লাইনিংগী ওইবা হোলি বুক অমা ফোঙনবা শেম শাবা লোইরে। গেজেটতা হাপকদবা গভর্ণমেন্টকী ওইবা প্রোসেস খরদা ঙাইরে। ইশা-ইশাগী আইদেন্টিটি ঙাক্লা চৎনবা হোৎনবগা লোয়নননা ঐখোয়গী লাইনিং অসিনা মীয়ামগী মশক তাক্কদৌরিবনি। করম্বা ইনাৎতা চৎকদগে হায়বসি ঐখোয়গী ইচা-ইশুনা ৱাহং ওইনা হংলকপা মতমদা লাইরিক অসিনা তাক্কদবনি। মরম অদুনা লাইরিক অসি ঐখোয়না পুথোক্তুনা থম্বা চঙই। লৈবাক্কী চরাংনবা ৱাখল কয়া লৈরিবা অসি ইবুধৌগী মফমদা লৈহনবীদনবা থৌনীসি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সনামহি টেম্পল বোর্দকী মেম্বর ডো. সগোলশেম লনচেনবা মীতৈনা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা হায়খি, মেরা চাওরেল হৌবা থৌরম অসি লন্নাইগী ওইনা পাঙথোকপা থৌরম নত্তে। লৈবাক্কী ওইনা চাকহোং-ঙাহোংনবা অমদি তংদু লৈতানবগীদমক্তনি। চীংমী-তম্মী নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা মণিপুর হায়বা অদু ওইনবা অমত্তা ওইনা চঙশিনমিন্নদুনা হোৎনমিন্নসি। সনামহি লাইনিং অসিদি নুংশি-চান্নবা অমত্তা ওইনা হিংমিন্নবা হায়বা ৱাখল্লোন অদুগী লাইনিংনি।

থৌরম অদুদা সনামহি টেম্পল বোর্দকী মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, উত্রা শঙলেন সনা কোনুংনা শীন্দুনা মেরা চাওরেল হৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী অমাইবা-অমাইবী, পেনা অমদি থৌ পুবশিং লোয়নননা মীয়াম পূন্না পাঙথোকখি।




# ‘জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌবীগনু’

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস): অনইমপ্লোয়দ ফার্মাসিষ্ট এসোসিএসন ওফ মণিপুর (যু পি এ এম) অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ ফার্মাসি, গভর্ণমেন্ট পোলিটেক্লিক তাকয়েলপাৎ অনীনা পূন্না শীনমিন্নদুনা ফ্রোম রিছার্স টু হেল্‌থ ক্যের, য়োর ফার্মাসিষ্ট এট য়োর সার্ভিস হায়বা থিমদা গভর্ণমেন্ট পোলিটেক্লিক তাকয়েলপাৎকী ওদিটোরিয়ম হোলদা থা অসিগী ২৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড ফার্মাসিষ্ট দে থৌরম পাঙথোক্কদবা নুমিৎ অসিদা লূপ অমত্তনা বন্দ, জেনরেল ষ্ট্রাইকনচিংবা তৌবীগনু হায়রি।

যু পি এ এমগী জেনরেল সেক্রেটরি থৌদাম সুমোননা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ৱর্ল্ড ফার্মাসিষ্ট দেগী থৌরম মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙম্মনবা হায়রিবা নুমিৎ অসিদা মণিপুরদা লৈরিবা এসোসিএসন, ওর্গনাইজেসন, ক্লব, মৈরা পায়বী নৎত্রগা লন্নাই লূপ অমত্তনা নুমিৎ অসিদা বন্দ, জেনরেল ষ্ট্রাইকনচিংবা অমত্তা মণিপুরদা তৌবীদনবা আপিল তৌরক্লি। চহী খূদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা অসিগুম্বা মরুওইবা থৌরম অসিবু মণিপুরদা লৈরিবা দ্রগ অমদি ফার্মাসিগা মরী লৈনবা মীওই খূদিংমক লোয়নননা হেল্‌থ ক্যেরগী মায়কৈদা লৈরিবা এসোসিএসন, ওর্গনাইজেসন অমদি লন্নাই মীওই খূদিংমক্না নুমিৎ অসিগী অয়ূক পুং ১০ দা থৌরম অসি পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা অসিদা শরুক য়ারনবা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

# লূ-নান্‌বগী দ্রাইব

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস): স্বাছতা হি সেবা হায়না ইন্দিয়া পুম্বা লূ-নান্না থম্মবা চঙশিল্লিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ফ্লেগশিপ প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা ৮৭ বট্টালিয়ন সী আর পি এফকী পার্সনেলশিংনা ঙসি জিরিবামগী অকোয়বদা অনীশুবা নুমিৎকী লূ-নান্‌বগী দ্রাইব ৮৭ বট্টালিয়ন সী আর পি এফকী কম্মান্দেন্ট সুনিল কুমারগী লমজিং মখাদা চথখ্রে হায়রি।

ঙসি চথখিবা লম-তূ লূ-নান্না থম্বগী দ্রাইব অদু ফাইথোল ভিলেজদা চথখি অমদি মফম অদুগী খুঞ্জাশিংনা অদুগুম্বা লূ-নান্‌বগী দ্রাইব অদুদা থৱায় য়াওনা শরুক য়াখি হায়রি।

৮৭ বট্টালিয়ন সী আর পি এফকী কম্মান্দেন্টনা খুঞ্জাশিং অদুদা ইন্দিয়ানা লূ-নান্‌বগী ঈহৌ চঙশিল্লক্লিবা অসিদা খুল অসিগী খুঞ্জাশিংসু পুক্নিং থৌগৎপগা লোয়নননা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াবু লূ-নান্না থম্মবা পাউজেল শন্দোকখি।

থৌরম অদুদা দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট সঞ্জিব কুমার নন্দ, দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট সচিন কুমার গুপ্ত, জি দি এম ও ডো. এম কামৈ অমদি য়ুনিট অসিগী পার্সনেল কয়ানা শরুক য়াখি হায়রি।

# এন এন সীগী কাদর ফারে

দিমাপুর, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী): অসাম রাইফলসকী পার্সনেলশিংনা নাগা নেসনল কাউন্সিল (এন এন সী)/ ফেদরেল গভর্ণমেন্ট ওফ নাগালেন্দ (এফ জি এন)গী কাদর অমা খূৎশু খূৎলায় কয়াগা লোয়নননা দিমাপুরদগী ফারে হায়রি। ৩২-অসাম রাইফলসকী পার্সনেলশিংনা নাগালেন্দ পুলিসকী পার্সনেলশিংগা পূন্না দিমাপুরগী আওয়িমটি ভিলেজদা পূন্না থিবা-হুম্বগী ওপরেসন অমা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা চথবদা মীওই অমদগী পোইন্ট ২২গী পিষ্টল অমা মেগজিন অমা অমসুং ৱায়রলেস সেট অনী ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়না চেরোল অমনা হায়রি।

# উমং লাই হরাওবগী সেমিনার পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): উমং লাই হরাওবদা হিজন হিরাও অমসুং উয়ানলোন, চীংদা লৈবা উমং লাইশিং, উমং লাই হরাওবদা তৌগদবা অমসুং তৌরোইদবা থৌরমশিং, উমং লাই হরাওবদা পেনা অমদি পুরৈরোম্বশিংগী মরমদা সেমিনার পাঙথোক্লগনি হায়না য়ুনিয়ন ওফ সোসল অপলিফমেন্টকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

য়ুনিয়ন ওফ সোসল অপলিফমেন্ট খুরাই লম্লোং কৈথেলগী জেনরেল সেক্রেটরি কে ঐচ রোনেক্স খাবা অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট উমং লাই কম্মিটিগী কনভিনর সুসিল নিংথৌজানা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরদা খুন্দারিবা ফুরুপশিং অসিগী খুন্নাইগী হিংলিবা পূন্সিগী থবক থৌরম, হিরম কয়াদা ইপা-ইপূ, ইবেনশিং অদুনা থন্বীরম্বা লাইনিং লিচৎ অমদি মৈহৌরোলগী মমল য়াম্লবা লনশিং অদুবু মাঙহনবা তৌদনা থম্মবগীদমক ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা উমং লাইগী ওইবা পুয়া থম্মবা, খোমজিন্নবা হোৎনবগী থৌরাংশিংগী শরুক অমা ওইনা মঙারকশুবা নোংমগী ওইবা উমং লাই হরাওবগী মরমদা সেমিনার অমা থা অসিগী ২৪গী অয়ূক পুং ১০.৩০ তাবদা খুরাই চিঙ্গাংবম লৈকায়দা লৈবা লাইনিংথৌ হনবগী লাইকোন্নুংদা ইম্ফাল ইষ্ট উমং লাই কম্মিটি অমদি য়ুনিয়ন ওফ সোসল অফলিফমেন্ট খুরাই অনীনা পূন্না খূৎশম্মনা শীন্দুনা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

সেমিনার অসিদা পূন্নমকপু পোকপীরল্লিবা অমসুং শেন্বীরল্লিবা মপূ মহাক্কী চৎন-কাঙলোন, মওং-মতৌশিং অদুগী লিক্লম, খোঙ্গুল কাউদনবগীদমক ঐখোয়না উমং লাইশিংগীদমক থবক থৌদা কয়া পাঙথোকফম থোকই অমদি পাঙথোক্লবা ৱারেপ কয়া লেপফম থোকই হায়রি।

নোংমা-নোংমগী হরাওপুংদা হরাওবগী মওং কয়া কায়রকপনচিংবা অসিনা হরাওরিঙৈ মনুংদা লাইগী থৌগল তৌরকপনা ঙসিদি খুঞ্জাও-লৈচাওবা, চাকহোং-ঙাহোংবা, পূন্সি নুংশাংনা পানবগী মহুৎতা ইশা-ইশাগী শক্তম ঙাকপদি লায়রদনা মশক খঙজিল্লক্ত্রে হায়বা ৱাফম অসি খন্ন-নৈনবা অসিদা পূন্না খঙদোকমিন্নগনি হায়রি।

মরম কয়া অসি লৈবনা উমং লাইগী লাইবুংশিংদা করি-করি তৌবা য়াবগে অমদি ঐখোয় পূন্না লাইরমচৎতগী পথাং নাইনা চথরক্লিবা লিক্লমশিং অসি পূন্নমক্না খঙদোকমিন্ননবা হোৎনগনি হায়রি।

মঙারকশুবা নোংমগী ওইবা সেমিনার অসিদা পুখ্রম্বম ধনজিৎ, গুরু, লাই হরাওবা দিপার্টমেন্ট, জৱাহরলাল নেহরু, মণিপুর দান্স একাদেমি, ডো. ৱাইখোম রোমেশ, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর, জি পি ৱিমেন কোলেজ, মুতুম মনিতোন (ঙানবা), কনভিনর, বোর্দ ওফ ষ্টদিজ, গেষ্ট ফেকল্টি, দিপার্টমেন্ট ওফ উমং লাই হরাওবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর, মখোনমনি মোংশাবা, কলচরেল এক্টিভিষ্ট, সাহিত্য একাদেমি এৱার্দী, নাওরোইবম ইন্দ্রমনি, রিটাইয়র্দ ওফিসর, মণিপুর ষ্টেট অর্কাইবস, মেম্বর লাইলূপ উকল, প্রসিদেন্ট রিফোর্ম হায়রিবা মীওই মঙা অসিনা উমং লাই হরাওবদা হিজন হিরাও অমসুং উয়ানলোন, চীংদা লৈবা উমং লাইশিং, উমং লাই হরাওবদা তৌগদবা অমসুং তৌরোইদবা থৌরমশিং, উমং লাই হরাওবদা পেনা অমদি পুরৈরোম্বশিং অসিগী মতাংদা অইবা চেরোল কয়া নিংথৌজা লানচা, কলচরেল এক্টিভিষ্টনা মোদরেটর ওইদুনা পাথোক্কনি হায়রি।

থৌরম অসিদা মীয়ামগী ওইবা ৱাহং কয়া হংবগা লোয়নননা পাউখুম পীদুনা খন্ন-নৈনগনি। সেমিনার অসিদা মীয়াম পূন্না শরুক য়ামিন্ননবা ৱাফমসু ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

# প্রভিশ চনম হাৎখিবগী থৌওং য়ানিংদে :এম এস এফ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস): মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)না থা অসিগী ৮ দা উত্তর প্রদেশকী গ্রেটর নোইদাদা মীহাৎ থীনা গেঙ খূৎপু অমনা হাৎতোকপীখ্রবা প্রভিশ চনমগী মীহাৎপু য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) হেদ ওফিসকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এলাংবম অনন্দনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, গ্রেটর নোইদাদা পাঙথোকপা দি চেনস্মোকরগী ঈশৈ কন্সর্ট পাঙথোকফমদগী মফম খঙদনা মাঙখ্রবা মতুং য়াম্না মীনুংশি লৈতনা মীহাৎ থীনা হাৎতোকপীখ্রবা মতুং ইমুং-মনুং অমদি মরী লৈনবা ওঠোরিটিশিংদা পাউ অমত্তা তাক্লমদনা যু পি পুলিসনা হকচাং অদু দিস্পোজ তৌখিবা অসি য়াম্না চিংননিংঙাই ওইবা প্লান তৌরবা মর্দরনি হায়না এম এস এফনা ক্লেম তৌরি।

অসিগুম্বা মেনলেন্দ ইন্দিয়ানা অৱাং-নোংপোক্কী মীওইশিংবু নমথদুনা লাক্লিবা অসিদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংনা প্রোটেক্সন পীবগী মহুৎতা হেন্না নমথবদা সপোর্ট তৌরব্রা হায়না এম এস এফনা চিংনদবা ঙমদে হায়রি।

চৈরক অসিদা, মণিপুর গভর্ণমেন্টনা করি অমত্তা প্রিক্সেসন লৌদনা অমসুং মরী লৈনরিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট মরুওইনা যু পি গভর্ণমেন্টতা হৌজিক ফাওবা থৌদোক অসিগী মরী লৈনবা ৱাহং অমত্তা হংবীদ্রিবা করিগীনো হায়না হংলক্লি।

মণিপুর গভর্ণমেন্ট অসি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকা মরী অমত্তা লৈনদ্রব্রা। লমদম অসিগী ইরৈচাশিংবু মীহাৎ থীনা অশিবা হকচাং ফাওবা উবা ফংহন্দনা হাৎলবদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা তুমিন্না লৈথোক্লিবা অসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক করিনো হায়না হংলক্লি।

মখা তানা চেরোল অসিনা ফোঙদোরকপদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মীহাৎ অসিগা মরী লৈননা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমসুং অতোপ্পা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা ৱাহং হংবীদুনা মীহাৎ অসিগী মরী লৈনবা লংলা-লংজিন পুথোক্তুনা চেন্নবা মীওইশিং মরালগী ওইবা মতিক চাবা ফংফম থোকপা চৈরাক পীগদবনি। লোয়না লোয়নননা অৱাং-নোংপোক্কী ইরৈচাশিং অতোপ-অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা অসিবু প্রোটেক্সন পীনবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টদা অকনবা মওংদা প্রেসর পীদুনা তক-শিন্দুনা ঙাক শেলহনগদবনি। করিগুম্বা থবক ওইনা পাঙথোক্তবা তারবদি মীয়ামগা লোয়নননা অকনবা ঈহৌ লাক্কনি হায়রি। চনম প্রভিশনা লৈখিদবদা এম এস এফনা অৱাবা ফোঙদোক্লি অমসুং ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

# মাওদা সী আর পি এফনা শীন্দুনা লূ-নান্‌বগী দ্রাইব চথখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস): স্বাছতা হি সেবা থাখায়গী থৌরম পাঙথোক্লিবা অসিগী শরুক অমা ওইনা আই জি পি মণিপুর নাগালেন্দ সী আর পি এফকী মীৎয়েং মখাদা মাও গেটতা নেসনল হায়ৱে ২গী আর ও পি অমসুং এরিয়া দোমিনেসনগী মথৌ পাঙথোক্লিবা ১০৯ বট্টালিয়ন সী আর পি এফকী পার্সনেলশিংনা শীন লাংদুনা ঙসি মাও কৈথেলদা লূ-নান্না থম্মবগী দ্রাইব চথখ্রে।

লূ-নান্‌বগী দ্রাইব অদু ১০৯ বট্টালিয়ন সী আর পি এফকী সেকেন্দ ইন কম্মান্দ এন রনবিরনা লোঞ্চ তৌখি অমদি মাও এস দি পি ও রাম রোর, মাও টাউন কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ফোক্রেনি ভিলেজ চ্যেরমেন অমসুং মাও জে এন ভিগী প্রিন্সিপালনচিংবনা শরুক য়াখি। সী আর পি এফকী পার্সনেল ১৫০ রোম, মণিপুর পুলিসকী পার্সনেলশিং, জে এন ভি স্কুলগী মহৈরোয়শিং অমদি মফম অদুগী মীয়াম্না কেম্প্যেন অদুদা শরুক য়াখি।



থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙবদা ১০৯ বট্টালিয়ন সী আর পি এফকী ২ আই সী, এন রনবিরনা হায়খি, মাও হায়বসি মহৌশাগী ওইবা উপাল-ৱাপাল অমসুং থৱায় পানবা কয়াগী লৈফম ওইরিবা য়াম্না ফজবা হিল টাউন অমনি। টুরিজমগী পোৎলম কয়া মপুং ফানা লৈরিবা অসি ফগৎহন্নবগীদমক মাওবু লূ-নান্না থম্মবগী পান্দমদা পূন্না হোৎনদুনা শরুক য়ামিন্নগদবনি।

মাওগী এস দি পি ও, মাও টাউন কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট, ভিলেজ চ্যেরমেন অমসুং জে এন ভিগী প্রিন্সিপালনচিংবনা সী আর পি এফকী থৌওং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখি অমদি অসিগুম্বা লূ-নান্‌বগী দ্রাইব অসি চাং নাইনা তুংদসু পাঙথোক্লবা আপিল তৌখি হায়না ১০৯ বট্টালিয়ন সী আর পি এফকী কম্মান্দেন্ট বিনোদ কুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# ডো. রাজোদা শীখিবা মরালশিং অদুগী মরমদা শেংদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস): ডো. কে রাজো, দিরেক্টর, ফেমিলি ৱেলফ্যের সার্ভিসেসপু মরম চানা এদিসনেল চার্জ দিরেক্টর, মেদিকেল এন্দ হেল্‌থ সার্ভিসেস মণিপুর অমসুং ষ্টেট মিসন দিরেক্টর এস ঐচ এস, এন ঐচ এম মণিপুর পুহনখিবনি হায়না ডো. কে রাজো মশানা শেংদোরক্লি।

ডো. কে রাজোগী শেংদোক ৱারোল অদুনা হায়, মহাক্কী মথক্তা ভিজিলেন্স কেস, করপসন কেস, দিপার্টমেন্টেল ইনক্বারি, স্কাম কেস অমত্তা লৈখিদে। মহাক্না মেনিপুলেট তৌরগা সিনিয়ারিটি লিষ্ট কানখিবসু লৈখিদে, মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমসুং এম পি এস সীগী গাইদলাইন অমদি নোর্মসকী মতুংইন্না এগজামিনেসন তৌরবা মতুংদা স্পেসল গ্রেদ, গ্রেদ ৱান, গ্রেদ টু অমসুং গ্রেদ থ্রী মতম চানা কাখিবা ঙাক্তনি হায়রি। মহাক্কী মতমদা ফেমিলি ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টতা কন্টেক্ট রিগ্যুলরগী থবক রিক্রুটমেন্ট তৌখিবা অমত্তা লৈখিদে হায়রি।

গভর্ণমেন্টনা মতম চঙনা থিগৎলবা মতুং অমসুং ইন্টিগ্রিটি সর্টিফিকেট ষ্টেট ভিজিলেন্স কম্মিসন, দিরেক্টোরেট ওফ ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন মণিপুরনা ইস্যু তৌদুনা অরানবা এলিগেসন ময়ামশিং অদু ক্লিয়র ওইরবা মতুংদা দিরেক্টর হেল্‌থ সার্ভিসেস অমসুং ষ্টেট মিসন দিরেক্টরগী পোষ্ট অসি ইন-চার্জ ওইনা এপোইন্ট তৌখিবনি হায়রি।

মহাক্না প্রাইভেট প্রেক্টিশশিং তৌখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা ইনফেন্ট মোর্টেলিটিগী শেল থাদখিবা অদু মহাক্কী মতমদা নত্তে অমসুং মেদিকেল সপ্লাইগী পোৎলম লৈখিবা লৈতে, শেল থাদখিবা অমসুং পোৎলম কয়া লৈখিবা লৈরম্বা তারবসু মহাক্না য়েংশিনগনি হায়না ফোঙদোকখি। মহাক্না হিলস অমসুং ভেলিগী হেল্‌থ সেক্টরদা দিভলপমেন্ট লাক্কবা অমসুং অকোয়বদা লৈবা অনাবশিং অৱাবা মায়োক্লরিবসি অঙম্বা থাক্তা কোক্লবা হোৎনগনি হায়নসু ফোঙদোক্লি। অকোনবদা পরম চুম্না দিপার্টমেন্ট অসিগী দিরেক্টরগী ফম অসি হাপ্পকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

# রেনু হেন্দলূম সোসাইটিদা নেসনল কোওপরেটিব এৱার্দ পীরক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস): মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রিকলচর এন্দ ফার্মর গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা লক্ষ্মন রাও ইনামদার বার্থ সেন্টিনরি সেলেব্রেসনগী শরুক অমা ওইনা ন্যু দিল্লিগী বিজ্ঞান ভবনদা ঙসি পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা কোওপরেটিব সেমিনারদা সোসল ৱেলফ্যের অমসুং কোওপরেসন মিনিষ্টর নেমচা কিপজেন শরুক য়াখ্রে।

থৌরম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চীফ গেষ্ট ওইখি অমদি য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ এগ্রিকলচর এন্দ ফার্মর ৱেলফ্যের রাধামোহন সিংহ, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর এগ্রিকলচর এন্দ ফার্মর ৱেলফ্যের পর্সোটম রুপালা, কৃষ্ণ রাজ অমসুং গজেন্দ্র সিংহ সেখাৱট অমসুং ষ্টেট কয়াগী কোওপরেসনগী মিনিষ্টরশিং, এগ্রিকলচর এন্দ ফার্মর এফ্যের্স গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ওফিসলশিং অমসুং ষ্টেট কয়াগী কোওপরেসন দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসলশিং, মণিপুরগী আর সী এস, ঐচ রুপাচন্দ্র, দেপ্যুটি সেক্রেটরি কোওপরেসন কে বোনোনচিংবা মণিপুরগী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মন্ত্রিপুখ্রিগী রেনু হেন্দলূম কোওপরেটিব সোসাইটিদা লেমজনিংঙাই ওইরবা নেসনল কোওপরেটিব এৱার্দ প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা খূৎশিন্নরকখি। কোওপরেসন মিনিষ্টরনা রেনু হেন্দলূম কোওপরেটিব সোসাইটিনা লৌরিবা থৌদাং অদুবু শীংথাবগা লোয়নননা অসিগুম্বা এৱার্দ অসিনা ষ্টেট অসিগী কোওপরেটিব সোসাইটি কয়াবু পুক্নিং থৌগৎলগনি।

থৌরম অদুদা নেমচা কিপজেননা ফোঙদোকখিবদা কোওপরেটিব সেক্টরনা লৈবাক অসিগী সোসিও ইকনমিক দিভলপমেন্টদা য়াম্না চাওবা মরুওইবা থৌদাং লৌরি হায়না মীয়ামগী পুক্নিং চিংশিনখি। কোওপরেটিব সোসাইটিশিংগী ফীভম ফগৎহনবগী তঙাইফদবা অদু ফোঙদোক্লদুনা ঙসি ফাওবদা মণিপুরগুম্বা ষ্টেটতদি সোসিও ইকনমিক দিভলপমেন্টকী লম্‌দা কোওপরেটিব সোসাইটিশিংনা শোথনা লৈরি। ষ্টেট লেবেলগী ওইবা কোওপরেটিবগী ওইবা থবক থৌরমশিং শীংনবা অমগা লোয়নননা পাঙথোক্লবা তোঙান-তোঙানবা খোঙথাং কয়া লৌখৎলগনি হায়খি।

মিনিষ্টর নেমচা কিপজেননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরগী কোওপরেটিব সেক্টরদা ইনফ্রাষ্ট্রক-চরগী ওইবা সপোর্ট কয়া মরুওইনা নৌনা শেমখিবা দিষ্ট্রিক্ট ৭ অসিদা পীফম থোকই। হৌজিক লৈরিবা কোওপরেটিবশিং অসিসু মখল মখা কয়াগী ট্রেনিং পীদুনা শৌগৎপগা লোয়নননা মখোয়গী থবক থৌরম কয়া মপুং ফানা পাঙথোক্তুনা মপাঙ্গল কলহন্নবা হোৎনগদবনি হায়খি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট কোওপরেটিব এক্ট চানবা মওংদা এমেন্দ তৌদুনা অশেংবা অমসুং মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্লিবা কোওপরেটিব সোসাইটিশিং চাউখৎনবা হোৎনগদবনি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী তোঙান-তোঙানবা ওফিসলশিংগা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ ফার্মর ৱেলফ্যেরগা তোয়না পাউ ফাওনদুনা ষ্টেট অদুদা পাঙথোক্লিবা কোওপরেটিব সেক্টরগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং মপুং ফানা পাঙথোকহন্নবা হোৎনগদবনি।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা মপুং ফানা শৌগৎলবদি কোওপরেটিবকী খূথাংদা লায়রবা মীওইশিংগী শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহনবদা মায় পাক্কনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি হায়না দি আই পি আরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# এম এ সী আর চাইল্ড রাইটস এৱার্দ ফংগদবশিংগী মমিং লাউথোক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): মণিপুর এল্লাইন্স ফোর চাইল্ড রাইটসনা ষ্টেট অসিগী চাইল্ড রাইটসকী ফীভম ফগৎহন্নবা অমসুং ঙাক শেন্নবা হোৎনবদা শীংথানিংঙাই ওইবা থৌদাং লৌরিবা মীওইশিংবু পুক্নিং থৌগৎতুনা চহী খূদিংগী পীরকখিবা এম এ সী আর চাইল্ড রাইটস এৱার্দ ২০১৭ ফংগদবা মীওইশিংগী মমিং লাউথোক্লে।

মণিপুর এল্লাইন্স ফোর চাইল্ড রাইটসকী কনভিনর মোন্টু অহন্থেমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, চহী অসিগী এৱার্দ অসি ফংগদবা মীওইশিংগী মনুংদা ষ্টেট পুলিস ওফিসর ২ অমসুং জর্নেলিষ্ট ২ য়াওরি।

এৱার্দ ফংগদবশিং অদুদি, ইম্ফাল ফ্রী প্রেসকী সিনিয়র রিপোর্টর লৈভোম জিমি লমকাং, পিপলস ক্রোনিকলগী রিপোর্টর সগোলশেম বিজ্ঞান, তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস, ডো. সরাংথেম ইবোমচা এম পি এস অমসুং জুবেনাইল পুলিস য়ুনিটকী ইন-চার্জ অমসুং এন্টি হ্যুমেন ট্রাফিক্কিং য়ুনিট ইম্ফাল ইষ্ট এন্দ ৱেষ্টকী সব-ইন্সপেক্টর য়ুম্নাম খেদানি হায়রি।

এৱার্দ অসি থা অসিগী ২৯গী অয়ূক পুং ১১ তাবদা রিমসকী জুবিলী হোলদা মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস অমসুং মণিপুর এল্লাইন্স ফোর চাইল্ড রাইটস অনীনা পূন্না শীন্দুনা পাঙথোক্কদবা ৮শুবা ষ্টেট লেবেল চিলড্রেন্স কলচরেল মীট ২০১৭গী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টরনা খূদোল তমগনি হায়রি।

চহী অসিগী ওইনা পাঙথোক্লিবা চিলদ্রেন কলচরেল মীট অসি সেভ অজ ফ্রোম দ্রগস এন্দ চাইল্ড ট্রাফিকর, ইফ নোট তুদে দের ৱিল বি নো তুমোরো হায়বা থিমদা পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

এৱার্দ অসি রুটিন নাইনা অপীবা মথৌ পাঙথোক্তুনা অঙাংগী রাইটস টু এদ্যুকেসন ফংহন্নবা, জুবেনাইল এজিটেটরশিং য়েংশিল্লিবা লোয়নননা চাইল্ড সেক্সুএল এব্যুজ, চাইল্ড ট্রাফিক্কিংনচিংবা খুন্নাই অসিদা চাইল্ড রাইটস ভাইওলেসন তৌরিবা মীওইশিংবু হকথেংননা য়েংশিল্লিবশিং অদুগী মরক্তগী জুরি মেম্বরশিংনা য়াম্না কুপ্পা খন্নরবা মতুংদা পীবনি। এৱার্দ ফংলবা মীওইশিং অসিনা কুইদ্রিঙৈ মতম অসিদা চাইল্ড রাইটস ঙাকথোক্লবগীদমক্তা পাঙথোকখিবা থবক থৌরম কয়া অদুদা য়েংলবা মতুংদা এৱার্দ অসি লান্থোকপনি হায়রি।

# মনাচীংদা লৈবা লময়ানবা ইরাবতকী মীতমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুম্নখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস): প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজার্ভেসন কম্মিটি মণিপুরগী মখাদা লময়ানবা ইরাবত নীংশিং থৌরম ওবজার্ভেসন কম্মিটিনা শীন্দুনা কৈবীগী মনাচীংদা লৈবা লময়ানবা ইরাবতকী মীতমদা মীয়াম্না হৈকৎ-লৈকৎ তমখ্রে।

লময়ানবা ইরাবত নীংশিং থৌরম ওবজার্ভেসন কম্মিটি মণিপুরগী কনভিনর সী ঐচ রিশিকান্তনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না লময়ানবা ইরাবতকী মীতমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্লবা মতুংদা কৈবী কম্যুনিটি হোলদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা লময়ানবা ইরাবতকী ৱাখল্লোনগী মরমদা খন্ন-নৈনখ্রে।

মীফম অদুদা এন বিমোল মীতৈ কনভিনর পি পি সী এম, কে ঐচ রিশিকান্ত কনভিনর এল আই এন টি ও সী অমদি এন রাশি প্রসিদেন্ট ইরাবত মেমোরিএল ট্রষ্ট কৈবীনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা কে ঐচ রিশিকান্তনা ফোঙদোকখিবদা, লময়ানবা ইরাবতনা পামজরম্বা ৱাখল্লোন অদু থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনবদা ঐখোয় পূনশিনবা চঙই। সেপ্টেম্বর থা খক্তংদা লময়ানবা ইরাবত নীংশিংবনা ঐখোয়গী পান্দম ফংবা ঙম্লোই।

পি পি সী এমগী কনভিনর এন বিমোলনা হায়খি, লময়ানবা ইরাবতকী ফজরবা ৱাখল্লোন অদু থবক্তা ওন্থোক্লবা মতমদা মণিপুরদা চাউখৎপা নুংঙাইবা খুন্নাই অমা পুরকপা ঙমগনি। ৱাখল্লোন অসি থবক্তা ওন্থোক্লবা মণিপুরদা লৈরিবা মীয়াম পূন্নমক ইরাবতকী মরমদা খন্ন-নৈনবা অমদি ৱাখল তামিন্নবা চঙই। লময়ানবা ইরাবতকী তুংইনবশিংগী মরক্তগী কৈবীদা লৈবা এন মোইরাংনিংথৌনা কৈবী খুল অমদি লময়ানবা ইরাবতকা তৎন-থানবা য়াদ্রবা মরীগী মতাংদা মরিক চুম্না পাউদমখি হায়রি।

# দিসএবল্ড ওইরবশিংগী রেসিদেন্সিএল এৱ্যেরনেস কেম্প পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): ষ্টেট প্লেটফোর্ম ফোর দিসএবল্ড পিপলস ওর্গনাইজেসন, মণিপুর অমদি এম এ এন ঈ দি এ অনীনা খূৎশম্নদুনা নুমিৎ হুম্নিগী ওইবা রেসিদেন্সিএল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম রাইটস টু পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটিজ এক্ট ২০১৬ কী মতাংদা থা অসিগী ২৩ দগী ২৫ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা থৌরম অদু খূদোংচাদবা খরা লৈবদগী য়ৈথোক্লে হায়রি।

ষ্টেট প্লেটফোর্ম ওফ দিসএবল্ড পিপলস ওর্গনাইজেসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এম দি য়ুনুস খাননা থোকপা চেরোল অমনা হায়, দিসএবল্ড ওইরবা মীওই কয়ানা ইশাগী রাইট করিনো খঙদবা অমদি দিপার্টমেন্ট কয়ানা নমশিন্দুনা থল্লিবা অসিদগী নাথৈদুনা মায় পাক্না থবক তৌবা ঙম্নবগী ৱাখল্লোনদা লাক্লিবা ওক্টোবর ১২ দগী ১৪ ফাওবদা পাঙথোক্কদৌরিবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়ারনবা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

রেসিদেন্সিএল এৱ্যেরনেস কেম্প ওইবনা অশিন-অরাং তৌবদা খূদোংচানবা দিষ্ট্রিক্ট-দিষ্ট্রিক্টকী দিসএবল্ড ওর্গনাইজেসন/এসোসিএসন অমসুং এন জি ওশিংনা লাক্লিবা ওক্টোবর ৫ ফাওবগী মনুংদা পাউ ফাওবীরকউ হায়রি। আর পি দব্লিয়ু দি এক্ট ২০১৬ এক্ট অসিদা য়াওরিবা রুলশিংগী মরমদা অখন্নবা মীহুৎ কয়ানা শরুক য়াদুনা এৱ্যেরনেস কেম্প অসিদা ৱা ঙাঙগনি। দিসএবল্ড সর্টিফিকেট জেরোক্স কোপী অমা অমসুং পাসপোর্ট ফোটো অমমম্‌সু শরুক য়াবা লাকপা মতমদা লোয়নরক্কদবনি হায়রি।

# শিল্লোংদা নোর্থ ইষ্ট কলচরেল এক্সচেঞ্জ ফেষ্টিবেল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস): শিল্লোং মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এস এম এস য়ু)না শীন্দুনা অহুমশুবা নোর্থ ইষ্ট কলচরেল এক্সচেঞ্জ ফেষ্টিবেল শিল্লোংগী শ্রী ওর্বিন্দ ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়ন কলচরগী ওদিটোরিয়ম বিভার রোদ শিল্লোংদা থা অসিগী ২৫ দা পাঙথোক্লগনি হায়না শিল্লোং মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট হুইদ্রোম শাংবনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউমীশিংগা উনবদা হুইদ্রোম শাংবনা মখা তানা হায়খি, থৌরম অসি সেসন অনী থোক্লা পাঙথোক্কনি। কলচরগী ওইবা সেসনদা মণিপুরী সবট্রাইবেল ফ্যুজন, মীতৈ পুঙ চোলোম অমসুং মীহুলসকী থাঙ-তা উৎকনি। স্পেসল আইটেমদা শিলোং মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী মেম্বরশিংগী কলচরেল পার্ফোর্মেন্স উৎকনি।

থৌরম অদুদা মণিপুরগী আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা চীফ গেষ্ট অমসুং আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর ডো. কে সুশিলানা প্রসিদেন্ট ওইগনি। নিংথৌজা মনিশ, রিজনেল দিরেক্টর ইন্দিয়ন কাউন্সিল ফোর কলচরেল রিলেসন্স (আই সী সী আর) গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, এম ইবোয়াইমা, মীতৈ এদভাইজর এন ঈ সী এগ্রিকলচর এন্দ এলাইদ গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, মিনিষ্ট্রি ওফ দোনর এন ঈ সী সেক্রেটেরিয়েট, লাইশ্রম পিটর, ভাইস প্রসিদেন্ট ওল মণিপুর ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়নগনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াগনি। কলচরেল ট্রুপশিংদা অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, মেঘলায়া, মিজোরাম, নাগালেন্দ অমসুং ত্রিপুরানচিংবগী শরুক য়াবগা লোয়নননা কলচরগী ওইবা জগোই অমসুং ঈশৈনচিংবা উৎকনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।